# বন্দ-হিংসা মেলাদা ভাবোক ওইরুবগী পাউদম

হেক্তা হায়নীংলকই - ৩৯৮

জিতেন নামৈরাকপম

**মণিপুর** বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, ইকোনোমিক ব্লোকেদ, টুটেল বন্দ অঙাংশিং ফাওবনা চিনফা পুরবা ৱাহৈশিংনি। তোঙান তোঙানবা ৱাহৈ ওইনা শীজিন্নরগসু নুংগী অর্থদি চপ মান্নে। মীনা মীদা অৱাবা পীবনি। ঐখোয় মশেল অৱাবা পীনবনি। খুদক খুদক্তা লাউথোরকপা বন্দনা মীয়ামগী পুন্সিদা অৱাবা পীবগী থৌদোক অসুক্কী মতিক থোকখ্রে। মরু ওইনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা কৈথেল কাজরকপা ইমা-ইবেল, ইচে-ইচলশিং খুদক্তা কৌরকপা বন্দনা গাড়ী তোংবা ফংনদবদগী মকোক্তা অরূম্বা লুকমাই, য়োনবদা লোইশিনহৌদ্রবা পোৎশিং হাপ্লগা পুদুনা খোঙনা নুংশা শারবা লম্বীগী চিদাইদা চৎপদু য়েংহৈবা শক্তম নত্তে। অমরোমদনা ইমা-ইবেলশিং অদুনা অফংবা ওটো রিক্সো অমদা ঙারি নম্বগুম নল্লগা ময়ূমতবু য়ৌহৌরবদি হায়দুনা ইম্ফালদগী হায়থরকপদা লম্বী অমুক থিংজিন্দুনা চৎহন্দে। লৈরক খুল্লক কোয়-কোয়দুনা ওন্থোক্লা ৱানা চৎহল্লি। মদুবু করম্বা মখলগী বন্দনো? থবক চৎলুবগী ময়ূমদা হঞ্জবদা লম্বী থিংদুনা চৎহন্দবসিবু করিনো, উচেক্কুম্না পাইরগা চৎলু হায়রিব্রা, সুপর মেন, সুপর ৱিমেন ওন্থোকউ হায়রিব্রা ভাব মেন তারক্তে। মানা-মানা অপাম্বা মওংদা বন্দ তৌখৎনরকই। থাখায় রোমগী মমাঙদা পাউচে অমদা (মণিপুরী লোকেল পেপর) তৌনিং-তৌনিংবা মওংদা খোঙজং চঙশিনবীয়ু হায়রকপদগী বন্দ তৌশিল্লগা ফুনিং-ফুনিংবা ফুবগী মওংদা গাড়ী থুগায়বা, নুপা অমা তমথিনা ফুবগী ভিদিও ক্লিপিং অমা নেটতা থাগৎলকখি। ঙক্লা য়েংনখি। মদুগী পান্দম করিনো? বন্দনিবু হায়রবদি লম্বী থিংজিল্লি, টয়র মৈ থাই, ইলেক্ট্রিক পোষ্ট, উ-ৱা ফৈজিল্লি, শম্বল খাজিল্লি, ফনেক, ফীগা পরেং শানা য়ানশিল্লি, মখূৎতা চৈতুপ-লিচৈ, ৱাকক পায়দুনা লম্বী ময়ায়দা কোয়চৎ চৎতুনা ঙাকই। কনাদা ফুনবা চৈনো? করি মরমগী ফুগদৌরিবনো? ফুবতা নত্তনা গাড়ীগী মিংশেল থুগাইনবা পায়বা চৈনি। কনানা কনাদা পীবা ওর্দরনো? বন্দনিবু হায়রবদি বন্দ তৌবা কাঙবুনা নৎত্রগা নিষা খায়বা থোরকপা কাঙবুনা মী ফুবা, গাড়ী থুগায়বা, মৈ থাবা য়াবগী লাইসেন্স পায়রব্রা? কনানা পীবা লাইসেন্সনো? হংবা য়াবা ৱাহংমক্তনি।

অঙকপা লমদমনি। মীনা তৌনদবা ফৎতবা মক্তনি তৌখৎনরক্লিবসি। বন্দগী মিংদা শক নুংশিদবা মী থৎলগা ফুবা ফাওবা য়াওরক্লে। অদুদসু নত্তে মপুন্সিদা লৈবসু ঙল্লরোইদবা, তোঙবসু ঙল্লরোইদবা মমল তাঙখ্রবা কারগী মিংশেল থুগায়রগা হরাউজবা অঙাও-অফৈ য়াওরি। গাড়ী য়াম্না থুগাইগল্লিবা, মৈ থারিবা কাঙবুসি গাড়ীগী ভেল্যু খঙদবা কাঙবুনি। গাড়ীগী মমল কয়া পী মখোয় খঙদে। মণিপুরদা ফংদবদগী মপান লমদগী মমল তাংনা চেনগদৌরিবা মিংশেলনি হায়বফাও মখোয় খঙদে। মখোয়গী হায়ববু চৈনা মিংশেলদা শাফু কন্না কল্লগা জ্রেং-জ্রেং লাউনা কায়বগী মখোলদুনি নুংঙাইজরিবসি। মখোয়গী মায়োক্তা লেপ্লুবসু য়াদে বন্দগী মায়োক্তা লৈবনি ময়ামগী য়েক্লবনি হায়রক্কনি। মরম চাবা বন্দদদি ঐখোয়সু য়াওই। অরাকপশিং, অচৎ-অওকশিং ৱাখল তামিন্নে। অদু নত্তবীদা বন্দনিবু হায়রগদি অকায় অতোয় হেক্তা থোকহনগদবনি হায়না থোরকপা কাঙবুসিনি ঙাঙনবদা ৱারীবসি। লৈকায় অমদা, খুল অমদা, খুঙ্গং অমদা ঙাওশিন্নবা মী কয়াম লৈ, য়ু ঙাওবা কয়া লৈ, ফরক তাবা মকোক চাকপা কয়া লৈ হায়বসি বন্দ মনুংদুদা মফম-মফমদুদা উবা ফংগনি। ইলেক্ট্রিক পোষ্ট খিংগৎলক্কনি, লৈয়েং ফাইনা লাউরক্কনি, শেৎলি-লিৎলিবা ফিরোল মওং তারোই, কোয়লাস মথক্তা মৈ থাগৎলক্কনি, লিক্লি থুগায়রক্কনি, উ-ৱা য়াম্থৎকনি, ফৈজিল্লক্কনি। মদুগী কান্নবা করিনো? চহী ১০/২০ কোয়লাস থাবিরুদ্রবা লম্বীদু মশানা অমুক হন্না থুগায়জবগী ৱানি। লম্বী নুংঙাইনা চৎপা পাম্বা কাঙবু নত্তে হায়বদা লাল্লরোই। মশানা-মশাগী মখোঙদা শিংজংনা য়ানশিনজবনি। নৎত্রগনা লূ-নাননা থম্বা পুন্সিদা মখোঙ মখূৎ হামজিল্লগা, চামশিল্লগা মখূৎ খুজোক্লা ঈশিং লৌরগা মশানা অমুক থকচিনবগা মান্নে। খরা হেন্না কারন তারুবা কাঙবুনা চেনবা নংহৌদবদগী পুলিসকী লীচৈ চাবা, জীপসি মনীংদা অলু বোরাদৌনা লংখৎখিবা, নেৎপগা কাওবগা থিনবগখক্তদা মমিৎতা গ্রীন কাবা, মচি মচি নোয়বগী দষামক্তনি তানখিবসি। নহান নোংমদি লীচৈ শাফু কন্না কল্লম্বদগী কারন তারুবা নহা অমদি মপাম্বোমদু পোমখৎপগী চাং শুম হেনগৎলক, চাউখৎলক তৌরকপদগী লীৎলিবা নাইলোন ফুরিৎকী পাম্বোম শিলাইদু মথন্তা জর-জর হন্দোরকপদুদা অনাবা খাঙনা মাসু নোকই ময়ামসু নোকই। অসিগুম্বসি অদুম থেংনদুনা লাক্লবনি। বন্দ থৱায় য়াওবা কাঙবুদগী আই এ এস, আই পি এস, এম সি এস, এম পি এস, ডাক্তর, এঞ্জিনিয়র, উকিল অফাওবা থোরকপগী ৱাদি লৈত্রে।

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা আই এল পি এসকী বিল অহুমগী অয়াবা পীরক্তবদগী নিংদোল পোল্লিঙৈ চৈরক অসিদা চীংগী লমদা ইম্ফাল তম্না পোৎ চৈ পুরগা লাক্কদবা গাড়ীশিং চৎপা য়ারোই হায়দুনা থিংবা হৌখ্রে। মবুক কয়াদা ফখ্রবা চীংমী ইচিন ইনাওনো! জিরিবামদগী তমেংলোং লোমদা, কোহিমা, দিমাপুরদগী, সেনাপতিদা/উখ্রুলদা, মোরেদগী চান্দেলদা পোৎ-চৈ পুথোক পুশিন তৌবদদি অথিংবা লৈতে। নাগাগী, কুকিগী লল্লোন ইতিক তৌবদা থিংবিনবসু লৈতে। মৈতৈনা নম্না তাবা ইম্ফাল ভেলিদা পোৎ চৈ পুশিনবমক্তনি জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট এন্টি ট্রাইবেল বিলনা থিংলিবসি। মৈতৈ নখোয় ৱাবা য়াবা ৱাজরো, পোৎ চৈ ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লুরো, ঐখোয়না চীংথক্তগী নোক্লগা য়েংগে হায়বনি। ঐখোয়না তম্পাক্লমদা কুম্লক্লগা খুন্দা লৈতাবদি য়াই। লৌ, ইঙ্খোল, য়ূমগী মপু ওইবসু য়াই। লম লৈবদসু অথিংবা লৈতে। ঐখোয়গী লমদদি অতোপ্পা ফুরুপ অমত্তনা মপু ওইবা য়ারোই, মৈতৈসু খুন্দাবা য়ারোই। হায়বগী পান্দমদনি ইকোনোমিক ব্লোকেদ চথরক্লিবা অসি। মসিবু লৈবাকমচা তাবা ৱাখল্লা; মালেমগী করম্বা মফমদা চৎনবা নিয়মনো? মরক অসিদা ৱাখল তাবা ট্রাইবেল ইচিন ইনাও খরদি চঙশিল্লিবা খোঙজং অদু নীয়ম লাল্লি, মদুমক হন্দোকপনা চুমগনি হায়বা য়াওরি। খুদক্তা কৌরকপা বন্দনা অৱা-অনা নংহল্লবা প্রজাশিংদা, ট্রাইবেল ইচিন ইনাও খরনা অচা অথক্লচিংবা পোৎলম কয়া সেনাপতি কৈথেলগী লম্পাক্তা পল্লিবা পেসেঞ্জরশিংদা মতেং পীবিখিবদু চাওখৎপগী মতৌ উৎপনি। লাইরিক লাইশু হৈরবা, লৈঙাক্কী ফম চাওনা পায়রবা ট্রাইবেল ইচিন ইনাওশিংগী মরক্তা আই এল পি চৎনহনগদবনি শৌগৎপা য়াওরিবনি। মণিপুরগী হোম মিনিষ্টর শ্রী গাইখাঙম, এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ অমদি রাজনিতিগী লুচিংবা মিনিষ্টর, এম এল এ ট্রাইবেল অয়াম্বনা পাস তৌখ্রবা বিল ৩ চৎনহনগদবনি অশোয়বা অমত্তা য়াওদে হায়না কয়ারক হায়বা লৈখ্রে। হন্দক্তা দিল্লিদা ফাওবা চৎতুনা অয়াবা পীবিনবা চৎলুরিবা অদুনা শাখিনি। অদুবু তম্পাক্লমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা ট্রাইবেল ইচিন ইনাওশিংগী মরক্তা অয়াম্বনা আই এল পি এসকী ইশ্যুদা থৱায় ইয়াও য়াওদবা মৈতৈখক্তগী ইশ্যু ওইনা ইন্থোকপগী মওংদা লৈবসি খল্লুবদা নুংঙাইতবা ফাওই। লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় পূম্নমক্কীনি খন্না ঈহৌদা থৱায় হকচাং য়াওনা শরুক য়াফম থোকই। মতম অমগী নিংথৌ পাল্লিঙৈদা ইনিংথৌনা নুংশিনা লুনা চান্না তৌবিদুনা খুল-খুল শেমগৎতুনা থম্বীরকখিবনি কাউফদে।

ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরগা ৱানরিবসি তম্পাক্তা লৈবা প্রজাশিংখক্তরা চীংগী লমদমদি মদুগী মমি তাদবরা হংবা য়াবা ৱাহংনি। ব্লোকেদ তৌবগী ওইনদি অৱাবা চৈথেং পেট্রোল পম্পতা তাই। তম্পাক্কী পেট্রোল পম্পশিংদা ক্যু শাংনা-শাংনা লেপ্পরিবদু ব্লোকেদকী চৈথেং নংবা হৌরক্লবনি। ইম্ফাল ভেলিদা চেল্লিবা টু হ্বিলর, থ্রি হ্বিলর, ফোর হ্বিলর লাক্ষ ৩/৪ হেনবসি চরা হেনবা তারে, চৎপা-চেনবা ঙল্লরোই পাখৎচদুনা চেঙ ৱানশিনজহৌবগুম্বনি। মবুক থন্না চাবা থকপা ফংনবা মাঙজৌননা মচিঞ্জাক পৈশিঞ্জহৌবনি। নোংমা নীনিগী মমাঙদা থাউ লৌনবা ক্যু লেপ্পরম্বদু ষ্টোক্তা মরাং কায়না লৈ ৱানিংঙাই ওইদে লাউথোরকপদগী হৌজিক্তি ইকোম কোম্না ফংনরে। ক্যু লেপ্পদ্রে। শেন্দোংগী আশাদা লুপা লিশীং লিশীংগী পেট্রোল দ্রম দ্রম লৈশিল্লুবা ব্লেক্তা করবার তৌবা কাঙবু নীংবা কায়নবা য়াওরে। পেট্রোল য়োন্থোকপা ঙমদনা মতম কুইনা ষ্টোক্তবু থম্লুরবা মনিল ওন্না পাইখিদুনা ময়েং তারকপা মশানা তাবনি। পেট্রোলগী, দিজলগী ৱা নত্তনা ইকোনোমিক ব্লোকেদনা ইম্ফাল ভেলিদা ৱানিংঙাই মচাক শুকলৈ লৈতে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল নৎত্রগা অতৈ কৈথেল পূম্নমক্তসু ফংদবা পোৎ অমত্তা লৈতে। মমল খজিক হেন্দোক হেনজিনগী ৱানা অমনি। ব্লোকেদনা মরম ওইদুনা পোৎ চৈ মমল তাঙনা য়োনবা য়ারোই হায়বগী দ্রাইভ অমসু লূপ কয়ানা পুল্লদুনা চৎমিন্নরি। অদুনদি ঐখোয়না খঙবা য়াই মদুদি ইকোনোমিক ব্লোকেদনা নাকোইননা অৱা চৈথেং নংলিবসি মরু ওইনা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা ওইরি। চীংমীশিংনা ৱানা থাজদুনা লোকচবা মহৈ-মরোংশিং য়োন্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরে। ইকোনোমিক ব্লোকেদনা মরম ওইদুনা পোৎ চৈ পুবা থিংবদগী তম্পাক্কী কৈথেল তান্না পুরক্তুনা য়োঞ্জগদবা মহৈ-মরোং, হৈ-রা, অশঙ-অমান পৎ-পুমদুনা মাঙবগী পাউদম লৈরে। ইম্ফাল তান্না লাক্তুনা কৈথেল কাজরগা শেল ওইনা ওন্থোক্তুনা পুজগদবা পোৎ চৈ কয়া মাঙ তাকপা হৌখ্রে। ব্লোকেদনবু অসুম শাংথরক্লগদি লায়রবা চীংমী ইচিন ইনাওশিং হেন্না-হেন্না ৱারক্কদৌরি। লৈজবা খরা য়োঞ্জরগা শেল ওন্থোক্তুনা দুকান্দগী চেঙ-হৱাই, থাউ-থুম, অচা-অথক, হীদাক-লাংথক্লচিংবা লৈজরগা খুল তান্না পুজখিগদবদু থিংখ্রে। অৱাবদা অৱাবা হাপখ্রে। মসিগী কান্নববু করিনো? লমদম অসিদা মশীং খঙদনা তৌখ্রবা বন্দ ব্লোকেদনা কান্নবা অমত্তা পুরকখিদে। হৌজিক্তি বন্দ মৱা লৌদে, ব্লোকেদ মৱা লৌদে অঙাউ অফৈগী থবক্লি হায়নবা মীতনা মশীং য়াম্লক্লবনি। মসিনা মীওইবগী মরক্তা নুংশিনবা পুরকহনবগী মহুত্তা খৎনবা, শাউনবা, য়ৈখায় থিনগায়বা পীনবা খূৎলায় ওইনা খন্নরবনি। মতাং অসিৱাইদা চীংমী মরুপ অমনা হায়খিবা ৱা নীংশিংলকই। মহাক্না হায়, "ঐদি কো ওয়া মসি ফত্তবনি তৌগুমসি হায়বনি। অদু ঐ মথন্ত হায়বা ৱা মখোয় লৌদে। অঙাং মচা-মচাশিং য়াম্না হরাউবনি। করিরা নখোয়গী য়াওশঙ হায়বরা! কলর চাইশিনবা তৈনবদো, অদুগুম্না নূং মচা-মচা, খরা-খরা চাউবসু খাউদা হাপ্তুনা চীংথক্তা পুখৎখ্রগা গাড়ী লাকপদা হেক্তা থোম্বনি। গ্লাস মচেৎ-মচেৎ কায়রগা, গাড়ীদা পাল্লগা মখোয় য়াম্না হরাউজবনি।" মসিনি চীংদবু ওইরো নৎত্রগা তম্পাক্তবু ওইরো মথক থোংবশিংনা ৱাখল ফাথবা ঙমদবা নৎত্রগা ঙাউশিন্নগনবা নহাশিংবু নিংথিনা ৱারক ৱাতেম্বীবা চঙই। লমদম অসিদা তৌনরিবা বন্দ ব্লোকেদনা কান্নবা করিসু পুরক্তে হায়বসিদি মীদি তোকখ্রো শা-ষণ, হুই-হৌদোং ফাওবনা নহান্না ভাব তারম্লগনি হায়বসি ঐদি হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়নীংলকই।

# এস টিগী চমম্নবা ৱাহং ৩০! মদুগী ওইবা য়াবা ঐগী পাউখুম

— থোকচোম গোপিমোহন সিংহ —

**ৱারেং** অসি ইজবগী মরু ওইবা পান্দমদি ঐখোয়গী মীয়াম্বু হীরম অসিদা মপূংফানা খঙহনবদুনি। মত পূম্বা অইবনা ফংজবা, উজবা অমদি অতোপ্পা অমত্তদা অতম্নবা শিংনবা নত্তে, দায়ত্ব পূম্বা অইবগীনি। অইবা অসি রিপব্লিক ওটোমোবাইলসকী মপুনি। নেসনল এৱার্দিনি, কুমজা ১৯৮৬ দা অমসুং উদ্যোগ পত্রা মনা কুমজা ১৯৯৫, আই এম এম বাটানা কুমজা ১৯৯০ দা, আই বি সি মনা কুমজা ১৯৯০, উদ্যোগ রত্ন মনা কুমজা ১৯৯৫, বেষ্টি সিটিজন ওফ ইন্দিয়া এৱার্দ, কুমজা ১৯৯৮ ফংখিবা মীওইনি। হৌজিক হৌজিক ভাইস প্রসিদেন্ট, সনা জন্মষ্টান ক্লব, কৈশামথোং অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট মণিপুর ইন্দষ্ট্রিজ য়ুনিয়নগী থৌসু পুরি।

**১। আই এল পি এসকী ইশু অসি কন্না চঙশিল্লিঙৈদা মতম চাদে, খুরৌ থাংবা ওইগদ্রা?**

পাউ ঃ লৈঙাক্লা শেল পুথোক্লগা ইথনোগ্রাফি রিপোর্ট ইবিনবা হীরম অদুগী চানবা এক্সপার্ট ওইবা ওজাশিং নেকপিবা অমসুং সোসিও-ইকনমিক ষ্টেটস রিপোর্ট ইবিনবা এক্সপার্ট ওইবা ওজাশিং নেকপীরগা মখোয় মখোয়না থা ১/২ গী মনুংদা ইবা লোইবগা ওঠেন্টিক ওইরগদবনা মতুংদা অমুক্তং মণিপুর লৈঙাক্লা কেবিনেট মীফম কৌরগা খন্নবিরবা মতুংদা অয়াবা ফংলগদি মদু কেন্দ্র লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফেয়রসতা থাগৎপখক্তনি। মসিদা করিমত্তা মনা মনিল নাইরোই। চঙগদৌরিবসি এক্সপার্টনে, শেলনে, পোলিটিকেল ৱিলনে, ট্রান্সপরেন্সিনে, কেবিনেট ৱারেপনে ৫ খক্তমক দরকার ওইবনা এসেমব্লি মীফম ফাওবা মথৌ তাদে। নীংশিংবা য়াই, মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈ পাঙলগীদি হায়রিবা রিপোর্ট অনীমক হান্না লৈঙাক্লা পূম্নমক শিল্লগা ফোঙদোকপীখ্রবনি। অমুক্কসু মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চনবা য়াহনসি হায়বা কেবিনেট ৱারেপ অমা শ্রী রিশাং কৈশিংনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ কুমজা ১৯৮১ দা লৌখিবসু লৈখিবনি।

**২। মেঘালয়া রাজ্যদা এস টি ওইনা ওইনা গারো কাঙবুনা আই এল পি এস তাল্লিবা করিগীনো?**

পাউ ঃ মখোয়গী মতাং অসিদা ঐখোয়না উজবদদি মখোয়গীসি অহানবা পন্দুপ লোইখ্রগা অনীশুবা পন্দুপ পায়খৎলকপা মাল্লি। মখোয়গী মীৎয়েংদগী য়েংলগদি ঐখোয়গী ফীভম অসি অহান অকোন ওন্নবসু মাল্লি। শমজিল্লগদি ঐখোয়না খঙবিগদবসি এস টি ওনবনা লমগী চৈঙাক পীবা অমদি হিংনবগী খুদোংচাবা কয়াগী মতেংদু লৌবনি অদুগা আই এল পি এসনা মীতোপ চঙশিল্লকপশিংবু রিগুলেট/কন্ট্রোল তৌবনি।

**৩। আই এল পি এস বিল অহুমদু অনৌবা মীৎয়েং খরা দরকার ওইরিঙৈদা ঐখোয়গী ইশাগী লম্বু ঙাক শেনবদু থুনা থমহৌনবা খন্নবা য়াররোইদ্রা?**

পাউ ঃ অনীমক অমনা অমগী মতেং লৌনগদবা ওইবনা চপ মান্ননা চঙশিনমিন্নবসু থোইনা কায়দবরা নীংই। মরমদি মতম চঙগদবা লম্বী ঙাক্তা ওইবনা থবক হৌজিনবদি মতম চারব্রাসু থাজজে। অনীমক অমত্তা থাদোকপা য়াদবা মতমদু য়ৌরে হায়বসিসু কাওফম থোক্তে।

**৪। ঐখোয় ময়াম্না লাইনীং ওনগদ্রা?**

পাউ ঃ ইশানা পামজদুনা চৎপীরিবা লাইনীংগী অহোংবা মথৌ তাদে।

**৫। ঐখোয়না খৃষ্টান ওন্থোকপনা হেন্না নুংশিনরোইদ্রা?**

পাউ ঃ ইশানা পোকপদগী লৌজরকপা হিন্দু লাইনীংগী মনুং চনবা রমান্দি লাইনীং চৎপা কাঙবুনা নৎত্রগা মৈতৈ লাইনীং চৎপীরিবা কাঙবুনসু মসি হেক্তা লায়না য়ারক্কনি থাজদে। হিন্দু লাইনীংগীদি হিন্দু ওনশিল্লকপদা ইস্কোনগুম্বনা খরা লাইথোকহল্লবসু য়াম্না লুবা মতাংনি। অদুবু অতৈ লাইনীংদা হোংদোকপদি খরা হেন্না লায়রবসু, লুদ্রগসু মাগী মাগী চৎচরিবা লাইনীং চৎপা তোল্লগা হোংদোক্লনবা শাজৈ (দিক্টেট) চলাইবদি ঙমগদবা মী পোক্ত্রিমাল্লে নীংই।

**৬। ঐখোয়না হাও ওনগদ্রা?**

পাউ ঃ মসিগী ৱাফম অসি লৈতবা মাল্লে নীংজৈ অসুম্না ঐখোয়না মীওই অমা নক্লা লৈরবা কান্দা কৌবদা মীওই অদুনা হাও হায়না খুল্লকপদা কৌরিবা মীওই অমদি খুল্লিবা মীওই অনীমক হাও কৈসু ওন্দে। অতৈ খুদম পান-হাওপান, লেক - হাওরেক, থবি- হাওথবিগুম্বা খরসু মরীং মরাংবা মওংদা শাজিন্নে অদুবু হাওফি হায়রগদি ন্যুত্রেল তাবা ওনখিবগুম তৌই অসুম্না লান্না শীজিন্নবা অর্থ মওং খরগী মনুংদগী শীজিন্নফম অমত্তংদা শাফু পীবা মীৎয়েংনি।

**৭। ঐখোয়না সেদ্যুল ট্রাইব হায়বসিদা কোনশিনগদবসি কনা কনাবুনো?**

পাউ ঃ মসিনা রাজকুমার, মৈতৈ বামোন, মীতৈ/মৈতৈ পূম্বা, লোইশিং, য়েক ৭, সলাই ৭ না কোনবা পূম্বা য়াওগনি অদুবু লোইশিংগীদমক্তদি মখোয়না হান্না সেদ্যুল কাষ্টতা য়াওরবনা মখোয়না অপাম্বা অমদা লৈজবসু য়াগনি।

**৮। ঐখোয়গী নেসন ওইরকপগী থিওরিদা য়াম্না কায়রোইদ্রা?**

পাউ ঃ মসি মতম খরা য়ৈথোকপা হায়না উবিরবদি খরা ফগনি।

**৯। কন্সটিট্যুসন অসি য়ানিংদবনা অনৌবা খোঙথাং লৌখৎলোইসি।**

পাউ ঃ মসিগী ঙাক্লৌ অসিদদা ওইনা থীংজিনবা চুল্লোইদ্রা নীংজৈ।

**১০। ঐখোয়না হায়রিবসি অচুম্বনি, মায়কৈ পূম্বগী তুংগী অফবনি।**

পাউ ঃ হৌজিক মতমগী মীওইশিংনা অতপ্পা লম্বী ওইরবদি য়ানিংলোই। মরমদি প্রজা হায়বসিদি ঈশিংগুম্বনি, হেন্না খুদোংচাগদবা মায়কৈদুদা হেক্তা চৎখিগনি।

**১১। সেদ্যুল ট্রাইব ওনবা নত্তবা লম্বী থিবা য়াদব্রা?**

পাউ ঃ মসিমুক থুবা, অরাইবা, থোংবা লোইরদুনা তোৎলগা চাবা হৌবা য়ারগদবা মান্নবা লম্বী ফংবা ৱাগনি।

**১২। ঐখোয়না কৈরাক কাবগী মহুত্তা কৈরাক কুমথসিরা?**

পাউ ঃ মসি শেমজিনবা ৱাহৈ ওইগনি খল্লি। কৈরাক কাখৎলি খল্লিঙৈদা কৈরাক তেকখিবগী দশা লৈতবসু নত্তে।

**১৩। এন্টি আর্য্য ওইবা মীৎয়েং উই।**

পাউ ঃ উই মরমদি ঐখোয়দি আর্য্য ওইবগী প্রমান য়াম্না ফংদে, হেন্না মোঙ্গোলোইদ ওইব্রা নীংজৈ।

**১৪। চীং-তম শোয়দনা নুংশিনগদ্রা?**

পাউ ঃ কাঙলুপ পূম্নমক পূনবা মীফম শীনবা অতাংবা কান্নবা য়াম্না লৈদুনসু পংনা শীনবা থেংনখিদ্রে। অদুবু নৌনা সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চল্লবা মতুংদদি ঐখোয়গী মীহুৎ ৩৭ কী অপূনবা মীফমদা ঐখোয়সু হন্না হন্না ইনভাইট অমা ওইনা শরুক য়ারগদবনা মান্নবা লেভেলদা অৱাৎ অপা কয়া পূন্না তানমিন্নদুনা তাথোক তাশিন তৌনবদগী ঐখোয়গী ইরক্তা লৈনরম্বা চিংনবা, থাজনদবা কয়া লৈরম্বদু তপ্লা তপ্লা কোকখ্রগদি শোয়দনা ফরকপা য়াই নীংজৈ। নকপু নক্লরবদি নুংদি নুংশিনগল্লি, হুই হৌদোংনা শাক্কিনি।

**১৫। পূন্না ফম্মিন্নরগা খন্নবনা হেন্না ফরোইদ্রা?**

পাউ ঃ হৌজিক্কী মতম অসিদা য়াইতোং ফমদোংবনা থল্লবা লাইরিক লাইশু হৈরবা কয়াদুগা পূন্না ফম্মিন্নৌ হায়না মায়কৈ কয়াদগী মত পীবিরক্লগসু ইতিক ইপা চাদবনা মতম চাদ্রিমাল্লে নীংজৈ। শম্না হায়রবদা জেকেট লিৎপগা, কোট লিৎপগা পূনমিন্নবা লুগদবা মাল্লি। হীরম অসিগী জজ থিবসু পংলাই লাইরোইদ্রা নীংজৈ।

**১৬। এস টি চনবা পাম্বশিং রিএক্সনরি ওইবা কাঙবুনি।**

পাউ ঃ মসিগী শীজিন্নফম, দিফিনিসনদি য়াম্না লুই, য়াম্না হু চেল্লি।

**১৭। ৱারবসু ৱানা মতম খরা খাংমিন্নখিসি।**

পাউ ঃ শন্দ্রেম্বী ইমাদি খ্বাং য়ৌরে হায়বা দশা নংলিঙৈ মরক্তুদা মসিগী লম্বী অসি ইনবিনবা, তুংইনবা মশীং কায়দনা থম্বা পংলাই লাইরোইদ্রা নীংই। মরক্তুদা শাগৎলিবা য়ূমদু শাট হৈবা ঙাইবা ওইনা অফংবা চরু, নাপী, ঈ, জিজ্ঞনচিংবা খরা কুপশিল্লগা মতম খরদং খাংবগী পাম্বৈদুসু তৌবা তাই নীংই।

**১৮। এস টিগী খুদোংচাবা পূম্বা মতম খরা লৈরগা ককখিবসু য়াই।**

পাউ ঃ ককখ্রগসু চীংমী তম্মী অনীমক চপ মান্নবা খোংনেৎফমদা লৈগনি।

**১৯। চীংমী কাঙবুগী চাক্লুক্তা খুজাই থাংজিনবা, চাক্লুক মুনবা ওইনা থোক্লোইদ্রা?**

পাউ ঃ অতৈ আসাম, নাগালেন্দদা থম্বগুম কেটাগোরি এ অমসুং বী হায়না মমিং পীখ্রগদি মুনবা হায়বা ৱাফম অসি লাকফম থোক্তে হায়না খঞ্জে। অদুমকপু লম্বী অনীনা কোন্নদ্রবসু অহেনবা হাপচিনবসু মথৌ তারবদি চুনবা পাম্বৈ থিবা য়াগদ্রা খল্লি।

**২০। ফংগদবা থবক পূম্বা চাদা ৭.৫ কোটা মনুংদা খক্তনি।**

পাউ ঃ চুম্মী, চাদা ৭.৫ ওইরবসু থেংনগদবা, লম্বা তৌনগদবা মীওই মশিংদি য়ামদে। চাদা ২৭ ও বি সিগী কোটা মনুংদা থেংনগদবসি মীওই ক্রোর ৩৮ গনি। এস টিগী চাদা ৭.৫ কোটা ওইরবসু থেংনগদবসি মীওই ক্রোর ১০ গনি।

**২১। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী থবক মচা খরখক্তনি, য়ামদে।**

পাউ ঃ আই এ এস/আই পী এস নত্তবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট সার্ভিস (সি জি এস গ্রেট এ/বী) দগী মখা চথরকপদা গ্রেদ ফোরগী কর্ম্মচারিগী ফম ময়াম্নি। আর্মি, নেভি, এয়রফোর্স নত্তবা অতৈ পেরা মিলিটরি ফোর্স ময়াম আসাম রাইফলস, বী এস এফ, সি আর পি এফ, আই টি বি পি, জি আর এফ, রেলৱেজ, বেঙ্কিং, এফ সি আই, ইন্সুরেন্সনচিংবা কয়াদা অমদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অন্দরটেকিংশিং নালকো, কোল ইন্দিয়া, আই আই এস সি ওনচিংবা কয়ানি। মতম অমগী ৱাঙাং "ইমাগী ইবুংঙো, সাহেবকিদি পুজারি' হায়বা অদুদা মীৎয়েং থম্বা তারবদি থবক মশীং থিবা ঙমদবমখৈ য়াম্মি, পনবদা অচৌবা লিষ্ট অমা ওইখ্রগনি। অদুবু খুদোংচাদবা অমদি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা তাবা ৱাফমবুদি লৈতবা নত্তে।

**২২। ঐখোয়না ইনকম টেক্স থিবা কোকপা পাম্বগীরা?**

পাউ ঃ মসিদি ইনকম টেক্স থিবিবা কাঙবুনা হেন্না খঙবিগনি। এস সি, এস টিগী কাঙলুপ মখৈ য়াওদনা ঐখোয়গী জেনরেল, ও বি সি অমদি কারবার তৌবা কাঙবুখক্তনা চহী অমদা লুপা ক্রোর ৪০০ রোমদি থীজিল্লি। শম্না হায়রবদা কর্ম্মচারি অমনা চহী অমদা থা ১১ দংগী তোলোপ য়ূমদা পুশিল্লকপগুম্বনি। থা অমগীদি ইনকম টেক্সকীদমক্তা খায়দোকখিবা তাবনি। চীংমী মরুপ অমনা হায়খিবা ৱারী অমদি নখোয় তমদদি দোনেসন তৌবদা শেল য়াম্না পীবা ঙমদে, মরমদি থা ১ গী তোলোপতি ইনকম টেক্সকীদমক খাক্তুনা থমদবা য়াদবনা, মদুনা মরম ওইদুনা নখোয়গী তমগী কম্যুনিতি হোল অয়াম্বা ৱাল য়াওদে। ঐখোয়গী চীংদদি অয়াম্বনা ৱাল য়াওই মরমদি থা ১ গী তোলোবতু পীথোক্লোইদবনা দোনেসন্দা চাওনা পীখিবা কায়দে হায়বদু নীংশিংবা নুংঙাইগনি।

**২৩। এস টিগী মহৈরোয় অমনা য়ু পী এস সিনা লৌবা সিভিল সার্ভিসেস/রাজ্যগী সিভিল সার্ভিসেস/সি দি এস/এন দি এ/মেদিকেল/ইঞ্জিনিয়ারিং/ব্যুজিনেস/রেলৱে রিক্রুইটমেন্ট বোর্দ/ইন্সুরেন্স কম্পনি ময়ামদু থাবগী ফ্রি কোচিংগী মথক্তা থাগী ষ্টাইপেন্দ লুপা ১,০০০ অমসুং লৈফম চাফমগী থা খুদিংগী লুপা ২,০০০ দু পাম্বগীরা?**

পাউ ঃ ঐখোয়না খঙদ্রিবা খুদোংচাবা কয়াদা মীতাবা মীদি ৱাৎপা লৈরোই।

**২৪। এস টি মহৈরোয় অমনা বুক গ্রান্ট, থাগী ফি হুনবদা মতেং ওইগদবা ষ্টাইপেন্দ/স্কোলরসিপ, মীং চনবদা হন্থবা মার্কনা, চহী খরা লিরবসু চহী কোমথোকপগী খুদোংচাবা ফংবা, থবক চঙবদসু হন্থবা মার্ক ফংবা য়াবা, থবক্কী ফোর্মগী হন্থবা মমলদা য়াবা, প্রমোসন কাবদসু হন্থবা চহীনা য়াবা কয়াদু মীতাবগী ৱাফম্রা?**

পাউ ঃ মসিগীসু মথক্তা নুপা থোকপা, লিংজেল থৌনা, পাঙ্গল মতিং থোকপা শাজৎ লোইনমক লাপ্পা লংথোকখ্রে হায়বগী পেন্দবা ৱাফম পল্লিবনি। মুন্না য়েংলুরগদি ঐখোয়গী লম্বাগী মশীং ক্রোর ৩৮ গী মহুৎ মশীং ক্রোর ১০ ওইরকপদনি। পন্থুংফম লম্বী খজিক তেনবগুম্বনি। ৱর্ক ওভরগী ৱাফমদি নত্তে। ঐখোয়না অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা এস টি মখৈবু মতিং থোক্তবা ঙাক্তনি হায়বদি লানগনি।

**২৫। ক্লাস টেনদগী টুয়েল্ব ফাওবগী এস টি মহৈরোয় অমনা পেকেজ গ্রান্ট ওইনা ফংবা লুপা ১৫,০০০ চহীগী, এম ফীল/পী ঐচ দি চহী মঙা তম্বগী ফেল্লোসিপ (জে আর এফ) চহীগী লুপা ৮,০০০/৮,০০০ অহানবা চহী অনীগী অমসুং (এস আর এফ) চহীগী লুপা ৯,০০০/৯,০০০/৯,০০০ লেমহৌরিবা চহী ৩ গী অমদি কন্টিঞ্জেন্সি ওইনা হ্যুমেনিটিজ অমদি সোসিয়েল সাইন্সেস লৌবা কাঙবুদনা চহীদা লুপা ১০,০০০/১০,০০০ অহানবা চহী অনীগী অদুগা লুপা ২০,৫০০/২০,৫০০/২০,৫০০ মথং চহী ৩ গী কন্টিঞ্জেন্সি ওইনা সাইন্স লৌবা কাঙবুনা চহীদা লুপা ১২,০০০/১২,০০০ অহানবা চহী ২ গী লেমহৌরিবা চহী ৩ গী চহীদা লুপা ২৫,০০০/২৫,০০০/২৫,০০০ অমদি দিপার্টমেন্টেল এসিষ্টেন্স চহীগী লুপা ৩০০০ অমদি য়ূম ভরা ওইনা য়ু জি সিগী য়াবা রেটতা ফংবা পাম্বগীরা?**

পাউ ঃ পূম্নমক অসি রজিব গান্ধি নেসনল ফেলোসিপ স্কিম (আর জি এন এফ) গী মখাদা চহী খুদিংগী য়ু জি সিনা মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফেয়রসকী মতেং ওইনবা মীওই ৬৬৭ দা চহী খুদিংগী পীবনি। মসিগী কান্নবা ফংবা ঙম্বা ঐখোয়গীসু পুথোকপা য়াগনি।

**২৬। দিগ্রি অমসুং পোষ্ট গ্রেজুয়েট তম্বা এস টি মহৈরোয় অমনা মহাক্কী ইমুংগী চহীগী ইনকম লুপা ২,০০,০০০ গী মখাদা লৈরবদি ইন্দিয়াদা লৈবা ইন্সটিট্যুসন ১২৭ (লৈঙাক্কী ওইবা/লন্নাইগী ওইবা) দা সীট ৫/৫ খাকপদুদা পূন্না মশীং ৬৩৫ চহীগী স্কোলরসিপ থম্লি। মদুগা মেনেজমেন্ট, মেডিসিন, ইঞ্জিনিয়ারিং, লো অমদি কম্মর্সিয়েল কোর্স কোনশিল্লগা চহীদা লুপা ২,০০,০০০ ফাওবা ফংবা য়াবদু কল্লকপা নত্তবরা?**

পাউ ঃ মানি হায়রবসু ঐখোয়না খঙদ্রিবনা ফংজবা ঙমদ্রিবনি।

**২৭। এস টি মহৈরোয় অমনা কম্মর্সিয়েল পাইলোটকী লাইসেন্স ফংনবা ট্রেনিং তৌবা মতমদা চহীদা লুপা ৩.৭২ লাক্ষ ফংবা য়াবদু অপাম্বা লৈরোইদ্রা? মসিগী মথক্তা লিভিং এক্সপেন্স ওইনবা থাগী লুপা ২,২০০ অমনে, লাইরিক-লাইশু অমসুং ষ্টেসনরিগী ওইনা চহীদা লুপা ৩,০০০ অমদি খ্বাইদগী লেটেষ্ট ওইবা কম্প্যুটর সিষ্টেম অমদি এসেসরিজ লৈনবা লুপা ৪৫,০০০ পীবদু পাম্বগীরা?**

পাউ ঃ ঐখোয়না খঙজদবগী তাইনফম খঙদদুনা শাউনিংলগসু য়াম্না কান্নবা পাম্বৈ ওইগনি থাজজে।

**২৮। নেসনল ওভর্সিজ স্কোলরসিপকীদমক এস টি মহৈরোয় অমনা মপান্দা পী জী কোর্স তম্বা, পী ঐচ দি অমদি পোষ্ট ডোক্টোরেল রিছার্স প্রোগ্রাম ওইনা এঞ্জিনিয়ারিং, টেক্নোলোজি অমদি সাইন্সগী হীরমদা তম্লগদি ট্যুসন ফী, এদ্যুকেস্নেল ফী (ফোরেন য়ুনিভর্সিটিগী রেটতা), মেনেটনেন্স অমদি অতৈ গ্রান্ট অমদি হঙ্গৎ হন্দা চখোক চৎশিনগী ভারা য়াওবা এৱার্দ অসি চহী খুদিংগী সীট ১৫ লৈবদুসু কল্লকপরা?**

পাউ ঃ ৱারী অসি থাজগদ্রা থাজরোইদ্রা হায়বা মতাং য়ৌরকই। চুম্লগদি ঐখোয়না মাংদা চঙশিনবা তাবনি।

**২৯। ঐখোয়গী অৱাবশিং এস টি ওল্লগা শোয়দনা কোকপা ঙম্লগদ্রা?**

পাউ ঃ ইম্ফালদগী দিমাপুর, জিরিবাম, মোরে, আইজোল লম্বী, নোংথক্কী লম্বী অমদি রেল লম্বী লৈরক্কদৌরিবা অসি ফাওবা ঐমক্তি পেঞ্জদ্রি। মথং অনৌবা হাপলোং ফাওবা য়ৌবা য়াবা, কাংচুপ চীংদগী চৎখিগদবা অনৌবা লম্বী অনী হাপকৎলকপা ফাওবা শৌগৎচনীংই। অসুম্না ঐখোয়গী ইচা ইশুশিংগীদমক্তা লম্বী কয়া খঙহৌদ্রিবা খুদোংচাবা কয়াবু শক তাকপীরম্লগদি ঐখোয়গী অৱাবা খরদি কোকফম থোকই। লৈবাক নীংবা/নুংশিবা ৱার্দি ওইবা মচা পুথোক্লবা লৈবাক নীংবা/নুংশিবা, ৱার্দি ওইবা মপা মমা মথৌ তাবনা ঐখোয়গী ইথৌদাং কয়াবুসু কাওথোকফম থোক্তে হায়জনীংই।

**৩০। ঐখোয়না পাউখুম পীদনা মখা চম্থদনবা খুমদনা লৈগদ্রা?**

পাউ ঃ পূম্নমক খজিক্তং কাওথোকপীরগা মতম খরদং মীয়ামগী অৱাবা য়েংবিরগা অরোইবা লম্বীদু চৎনবগী পাঙ্গল হাপনবা শিনবিরোইদ্রা?

য়াইতোং ফমদোংবা খরদি মখোয়গী ষ্টেটস মান্নবা অমদি হেনগৎলকপা য়াবা মীওই থোরক্লগদ্রা হায়না কিবা য়াওরব্রা খন্দবা ঙল্লক্তে। ঐখোয়গী মী অমত্তা শ্রী বোব কট্টিং নত্তনা ইন্দিয়াগী এম্বাসেদর ওইবা য়াওদ্রি। লাইরিক হৈবগী চাং অসিসু পী ঐচ দিগী মথক্কী দিগ্রি ফংববু কয়া য়াম্না লৈরবগে? ফোরেন রিলেসন খঙবা কয়াম লৈরবগে? এক্সটর্নেল এফেয়র্সগী মরমদসু য়াম্না হেন্না নৈনবা উজদে। লৈঙাক্লসু এস টি কমিসন লিংখৎনীংবগী ইঙ্গিৎ উৎপীরকপসিগা লোয়ননা ঐখোয়গী অৱাৎ-অপা কয়া থবক্তা ওন্থোকপীদনা লৈরম্লগসু পূন্না তানমিন্নদুনা চুমথোকপা য়াগনি।

ঙাক্লৌ অমত্তফাওবা লৈজদবা ঐখোয় মশেল য়ানদবগী খোল্লাও কয়া ফোঙদোক্লরগা অতোপ্পনা নোক্লবা নৎত্রগা হরাউনবা নত্তনা কনানসু মতেং পীবিরক্কদবা নত্তে হায়বসু থাজজে। মতম চারিঙৈদা অনী থোকপীগী শাজৎ থাদোক্লসি। অশোয়বা অরানবা কয়া য়াওরবসু ঙাকপীগনি।

ঈশ্বরনা ঐখোয়বু মানা মানা পাম্বা লাইনীং চৎচদুনা ঐগী মীগী খায়দনা অচৌ-অপিক থমদবা, থাক মান্নবা, নুংশি চান্নবা, ৱাৎত-পাদবা, তংদু লৈতাবা, মমল লৈবা ঐখোয়গী তুংগী লম্বী কাওহনবিদবা, খরা হেন্না ঈং তপ্পা লাইবক ফবা, চাওখৎপা, পুন্সি মরেল অমা থুংবিবা হৌবিনবা নীজবা তাই।